## ইরান্না য়ু এসকী জহাজ লুপহনবা ঙম্মী

দুবাই, মে ২৫ (এজেন্সি):
গল্ফতা থারকপা য়ু এসকী লালগী জহাজশিং ইরান্না মিসাইলশিং অমসুং অরোনবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা লুপহনবা ঙম্মী হায়না ইরানগী সিনিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা সেমি-ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি মিঝাননা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিদা টেঙ্করশিংদা চথখিবা এটেকশিং ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা ইরানগী মায়োক্তা ঙাকশেলগী ফিভমশিং ফগৎহন্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাই নুমিত্তা মিদল ইষ্টতা অহেনবা ট্রুপ ১৫০০ দিপ্লোই তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

অমেরিকানা লমদম অসিদা লানগী জহাজ অনী থারক্লি। মখোয়না অপংবগী থৌওং খরা চথরকপা তারবদি ঐখোয়না মখোয়গী জহাজশিং অদু মখোয়গী ক্রু অমসুং প্লেনশিংগা লোয়ননা মিসাইল অনী নৎত্রগা অনৌবা অরোনবা খুৎলায় অনী শীজিন্নরগা সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা লুপহনগনি হায়না ইরানগী মিলিটরি কম্মান্দগী এদভাইজর অমা ওইরিবা জেনরেল মোন্টেজা কোর্য়োনিনা মিঝানদা ফোঙদোকখি।

## ট্রম্পনা ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা সাউদি অরাবিয়াদা খুৎলায় য়োনবগী অয়াবা পীখ্রে

ৱাশিংটন, মে ২৫ (এজেন্সি):
ইরানগা উংখৎনবদা য়ুম্ফম ওইরগা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকপগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোংগ্রেসকী অথিংবশিং নাথৈদুনা সাউদি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস অমসুং জোর্দানদা দোলর বিলিয়ন ৮.১ গী খুৎলায়শিং য়োনবগী থৌরাং মপুং ফানা পায়খৎনবগী অয়াবা পীখ্রে।



লোমেকরশিংবু খোইরাং খোইশাওহনবা খোঙথাং অমদা মতম শাংনা চৎনদুনা লাকপা খুৎলায় চাওনা য়োনবা মতমদা কোংগ্রেসনা রিভ্যু তৌবগী তঙাইফদবা ফিভম নাথৈদুনা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না কোংগ্রেস্নেল কম্মিটিদা সাউধি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস অমসুং জের্দানদা মিলিটরি খুৎলায় আইটেম ২২ য়োনবগী থৌরাং মপুং ফানা পাঙথোক্লগনি হায়না খঙহনখি হায়রি।

য়েমেনদা কোলিসন্না চথরিবা এয়র কেম্প্যেনদা মীচম কয়া শিহনবা, টর্কিগী ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজি হাৎখিবগুম্বা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিংদা খোইশাওনরবা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসতা থা কয়ামুক ওফেন্সিভ মিলিটরি একুিপমেন্ট য়োনবদা অথিংবা থম্লকখিবনি।

সাউদি অরাবিয়াদা মতিক ময়াই লৈবা বোমশিং য়োনবা য়াওনা খুৎলায় য়োনবগী দিল কয়াদা কোংগ্রেসনা অপনবা পীবদা পেন্দ্রবা ট্রম্পনা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোকপগা লোয়ননা আর্মস কন্ট্রোল লোগী অহোবা কয়া শীজিন্নদুনা য়ু এসকী খুৎলায় য়োনবদা অথিংবা থল্লিবা সাউদি অরাবিয়া অমদি য়ু এ ঈদা খুৎলায় য়োনবগী থৌরাং মপুং ফানা পায়খৎলকপা য়াই হায়না লোমেকরশিং অমসুং কোংগ্রেস্নেল এইদশিংনা চয়োল অসিগী অঙনবদা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রবনি।

কোংগ্রেসনা য়ারক্লোই খঙবদগী প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা আর্মস কন্ট্রোল লোগী অহোবশিংদা মীৎয়েং থম্লক্লিবনি। য়েমেনদা থাদনবা সাউদিশিংদা বোম কয়া য়োনবা য়ান্নবা ইমর্জেন্সি নৌনা লাউথোক্লবগী থোইদোকপা মরম লৈতে। এদমিনিষ্ট্রেসন্না অসিগুম্বা থৌওং চথরকপনা য়েমেনদা মীচম মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱাবশিং হেনগৎহনগনি হায়না সিনেটর ক্রিস মর্ফিনা ফোঙদোকখি।

দেম্মোক্রেট অমা ওইরিবা মর্ফিনা য়ুমশকৈশো নুমিত্তা ত্বিটরদা থাগৎখিবা ৱারোল অমদা সাউদি অরাবিয়া, য়ু এ ঈনচিংবা লৈবাকশিংদা খুৎলায় য়োনবা য়ানবা ট্রম্পনা আর্মস কন্ট্রোল এক্সপোর্ট এক্টকী অহোবশিং খন্নরকপা য়াই হায়খিবনি।

ট্রম্পকী ফেলো রিপব্লিকান কয়া লোয়ননা দেমোক্রেট কয়ানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসকী অথিংবশিং নাথৈরগা খুৎলায় য়োন্নবা হোৎনরকপগী থৌরাং অসিনা ট্রম্পনা নত্তনা তুংদা লাক্কদৌরিবা প্রসিদেন্টশিংনা মখোয়না য়োন্নিংবা খুৎলায় য়োনবদা থিংবা ঙম্বা কোংগ্রেসকী মতিক ময়াই মাঙহনগনি হায়বগী অকিবা লৈ। চহী অসিগী অঙনবদা হাউস অমসুং সিনেটনা ভোট লৌনদুনা য়ু এস মিলিটরিনা য়েমেনগী কেম্পেন্যন শৌগৎপা লেপনবা হায়খ্রবনি।

## গল্ফতা লান থোরকপা য়াই হায়না ইমরান খান্না চেকশিনৱা হায়খ্রে

ইস্লামাবাদ, মে ২৫ (এজেন্সি):
ৱাশিংটন অমসুং টেহারানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকপগা ইরোইননা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জভাদ ঝারিফনা ইস্লামাবাদতা খোঙচৎ অমা লাকখিবা মতুংদা পাকিস্টানি প্রাইমি মিনিষ্টর ইমরান খাননা গল্ফ লমদমদা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী খুদোংথিবা ফিভম ৱাংনা লৈরে হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।



থা অসিদা গল্ফতা ওইল টেঙ্করশিংদা এটেক তৌখিবদগী ইরান অমসুং টেহরানগী রিজনেল রাইভেল ওইরিবা সাউদি অরাবিয়াবু চেংনা শৌগৎলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি। এটেকশিং অদুদা ইরানগী খুৎ য়াওই হায়না ৱাশিংটন্না মরাল শীখ্রবনি। ৱাশিংটন্না বোম্মিংনচিংবা য়াওনা খুৎলায় শীজিন্নবগী অকনবা থৌরাংশিংদগী লাপ্পা লৈরক্লবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা গল্ফতা এয়রক্রাফ করিয়র অমা অমসুং অহেনবা ট্রুপ ১,৫০০ থাজিনখিবদগী ইরাং লৈরবা লমদম অদুদা লান অমা থোক্লকদ্রা হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখি।

হান্নদগী ফরক্তুবা পাকিষ্টানগা য়ুম্লোন্নবা ইরানগা লৈনবা মরীদা অহোংবা অমা লাকহন্নবা হোৎনরক্লিবা খান্না গল্ফতা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবা অদুদা নুংনাংবা পোকই হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস নৎত্রগা সাউদি অরাবিয়াবুসু পনখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টর খানগী ৱারোল পল্লদুনা ইরাই নুমিত্তা মহাক্কী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোব্লেম অমত্তগী সোল্যুসন লাননা ওইবা য়ারোই হায়বসিদা চেংনা থাজে হায়খি। হান্নদগী মুক্নবগী ফিভম অমা লৈরকখিবা লমদম অদুদা মখা তানা উংখৎনবা ফিভম লৈহনবা হায়বসি কনামত্তগী অপান্বা নত্তে।

হৌজিক্কী লৈরিবা ফিভম অদুদা মায়কৈ খুদিংমক্না য়ারিমখৈ পুক্নিং ফাথবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মখাদা ইরান অমসুং য়ু এসকী মরী হান্নদগী হেন্না শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা ৱাশিংটন্না টেহরানগী মায়োক্তা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্লবা হোৎনরকখিবনি।

পাকিষ্টানদা চৎপা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ লোইরকপদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জভাদ ঝারিফনা য়ু এসনা টেহরানগী মায়োক্তা মরাল কয়া শীজিনবদগী নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকপনি হায়না ইরানিয়ন ষ্টেটনা চল্লাইবা ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এদা ফোঙদোকখি।

অমেরিকাগী থৌওংশিং অসিনা মালেমগী মরা তপ্পা অমসুং তং তাবগী ফিভমদা অকিবা পীরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী অঙনবদা সাউদি অরাবিয়াগী অনী য়াওনা টেঙ্কর ৪ য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী ফুজাইরাহ এমিরেট মনাক্তা বোম্মিং এটেক চথখিবনি। ৱাশিংটন্না এটেকশিং অদু ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দসনা পাঙথোকখিবনি হায়না মরাল শীখি অমসুং সাউদি অরাবিয়াদা য়াম্লবা খুৎলায়শিং য়োন্নবগী থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখি।

## বৃটিশ চীংকারোয় অমা এভরেষ্টতা শিরে



কথমন্দু, মে ২৫ (এজেন্সি):
মশা কা হেন্না শোন্থরকপনা মরম ওইদুনা মাউন্ট এভরেষ্টতগী কুমথরকপা ঙমখিদ্রবা বৃটিশ চীংকারোয় অমা থাংজ নুমিত্তা লৈখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বৃটিশ চীংকারোয় অসিহৌজিক্কী চীং কাবগী সিজন অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীং অদু কাবদা লৈখিদ্রবা চীংকারোয়শিংগী মনুংদা ৮ শুবনি অদুগা নেপালগী হিমালয় চীংজাওদা শিখিবা চীংকারোয়শিংগী মনুংদা ১৮ শুবনি হায়রি।

হাইকিং ওফিসলশিংনা চীংকারোয় শিখিবগী থৌদোক অয়াম্বা মিটর ৮,৮৫০ (ফুট ২৯,০৩৫) ৱাংবা চীংদোল অদু য়ৌগদবা মী চিল্লবা চীং লম্বী অদুদা মতম কা হেন্না চোন্থবা, চীংকারোয়শিং মশা শোন্থরকপা অমসুং হকচাং কা হেন্না চোকথরকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৪১ শুরবা বৃটিশ চীংকারোয় রোবিন হেনিস ফিসর অসি এভরেষ্ট চীংদোলদগী কুমথরকপদা ওক্সিজেন ফংবগী চাং নেম্বগীদমক্তা খঙনরবা 'দেথ জোন' কৌবা মফমদুদা শিখিবনি হায়না টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

থা অসিনা লোইগদবা হৌজিক্কী চীং কাবগী সিজন অসিদা মাউন্ট এভরেষ্ট কাবদা শিখিবা চীংকারোয়শিংগী মনুংদা মহাক্না ৮ শুবনি। মহাক মতম শাংনা শাংলবা চীং লম্বীদা চীংদোল য়ৌনবা কানবা হোৎনবদা মশা শোন্থরকপা অমসুং চীংদোলদগী কুমথরকপদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখিবনা মরম ওইদুনা শিখিবনি হায়না মহাক্কী লোজিষ্টিক্স শীন-লাংখিবা এভরেষ্ট পরিবার ট্রেক্স কম্পেনিগী মুরানি শর্ম্মনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। মুরারিগী মতুং ইন্না চীংকারোয় ফিসর অসি মহাক্কী সর্পা গাইদশিংগা লোয়ননা চীংদোল অদুদগী কুমথরকপদা খঙহৌদনা মশা লেকথরকখিবনি। মহাক্না লোয়নরিবা গাইদশিংনা ফিসরগী ওক্সিজেন বোট্টল শিন্দোকখি অমসুং মঙোন্দা ঈশিং পীথক্লবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী থৱায়দি কনবা ঙমখিদ্রে হায়না শর্ম্মনা মখা তাখি।

চীংকারোয়শিংবু মাউন্ট এভারেষ্টতা কাবগী প্রোগ্রাম স্পোন্সর তৌখিবা য়ু এসতা বেজ তৌবা মাদিসন মাউন্টেনিয়রিং কম্পেনিগী গারেট মাদিসননা ফোঙদোকখিবদা, চীংকারোয় কয়া অমদি মপুং ফানা ক্বালিফাইদ ওইখিদে অমসুং নৎত্রগা চীংকারোয়শিং ওইনা নীংথিনা শেম শাখিদে। মখোয়দা অশোয়-অঙাম য়াওদনা চীং কাবা নৎত্রগা কুম্বদা তঙাইফদনা চঙলিবা মচাকশিংসু শুনা য়াওখিদে।

করিগুম্বা মখোয় অরিংবা অমসুং এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা টিম অমগা লোয়নরম্বা থোক্লবদি লাইবক থিবা থৌদোকশিং অসি থোক্লমদবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী শেম শাবগী থৌরাংশিং শোনবদুনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি চীং কাবদা থোক্লিবনি হায়না মাদিসন্না মখা তাখি।

## ফ্রেঞ্চ পুলিসনা সুটকেস বোম্মর ফানবা থি-হুমখ্রে

লিওন, মে ২৫ (এজেন্সি):
মীওই ১৩ অশোক-অপন নংহনখিবা ফ্রান্সকী সেন্ট্রেল সিটি লিওনদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা ফ্রেঞ্চ পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা সুটকেস বোম্মরনি হায়না চিংনবা মীওই অমা থি-হুম্বগী অকনবা ওপরেসন অমা চথখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।



পুলিস সোর্সশিং অমসুং লোকেল মেয়র দেনিস ব্রোলিক্করনা ফোঙদোকখিবদা, সিক্যুরিটি ভিদিওদা সস্পেক্ট অদুনা বেক্করি অমগী মমাংদা বেগ অমা থম্লম্বা উখি। মদুগী মতুং মতম শাংনা কান্নদনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা মখোল হৌনা পোকখায়রকখিবনি মীওই অয়াম্বা মখোংদা শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী য়ুরোপিয়ন ইলেক্সনগী মাংওইননা লাইভ য়ুট্যুব ইন্টরভিয়্যু অমগী মনুংদা বোম পোকখায়গী পাউদু শন্দোরকখিবা মতমদা প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননা থৌদোক অদুবু এটেক অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমদি অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং অদুদা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি।

পুলিসনা ব্লাষ্ট অদু মী হাৎনবা হোৎনবগী থৌদোক অমনি হায়না লৌই হায়খ্রবা মতুংদা পেরিসকী এন্টি-টেররিজম প্রোসিক্যুটরশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে অমসুং থৌদোক থোকফমদুদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ক্রিষ্টোপ কাষ্টানর চঙশিনখি হায়রি।

মমায় মচেৎ অমা মাইখুম্না কুপশিনবা চিংনবা মীওই অদু সিক্যুরিটি কেমেরা ফুটেজদা থৌদোক থোকফমদুদা সাইকল তোংদুনা লাকপা উখি। মহাক্না মীয়াম্না পাম্নরবা বেক্করি চেন অমা ওইরিবা ব্রিওচে দোরিগী ব্রাঞ্চ অমগী মপান্দা বেগ অমা থমজিলল্লগা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি।

পুলিস সোর্সশিংনা এটেক্করনি হায়না চিংনরিবা মীওই অদু য়ুরোপিয়ন নৎত্রগা নোর্থ অফ্রিকন নুপা অমা ওইবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না মহাক্না মফম অদু থাদোকখ্রবা মতুংদা থোক্লকখিবা বোম পোকখায়বদুদা সিটি অদুগী মরু ওইবা ষ্টেসন্দগী ব্লোক কয়া লাপ্পা লৈবা ভিক্তর হুগো খোঙ লম্বী চৎলিবা মীওইশিংদা য়োৎতেক-থাংতেক কয়া তাশিল্লকখি। ফ্রান্সকী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা পুলিস ফোর্সশিংদা মী তিনবা মফমশিং অমসুং থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা মফমশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না কষ্টানরা ফোঙদোকখি।

## মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে



জকার্টা, মে ২৫ (এজেন্সি):
ইন্দোনেসিয়াগী টুরিষ্টশিংনা পাম্না কোয়নবা বালি ইথৎতা লৈবা মৈগী চীং অমা পোকখায়রকদগী নোংথক্তা উৎ মপৈ অমা ৱাংনা কাখৎলকখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াদগী অহিংদা পাইরক্কদবা অমসুং লৈবাক অসিদগী পাইখিগদবা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মাউন্ট অগুং কৌবা মৈগী চীং অদু পোকখায়রকখিবদা মদুগী মনুংদগী অশাবা উৎ মপৈশিং কামথোরকখি অমসুং মঙাল থোক্না মৈ ইক্লবা রোক ময়াম অমা চীং অদুদগী কিলোমিটর অহুম্লোম থাপ্পা চাইথোরকখি। খুঙ্গং কয়ামরুমদা উৎ তাশিনখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুদা মীশি মীনা থোকপদি য়াওখিদে হায়রি। মৈগী চীং অদু পোকখায়খ্রবা মতুং থাংজ নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী কন্টাস এয়রৱেজ, জেটষ্টার অমসুং ভিজিন এয়রলাইন্সনা চল্লাইবা ফ্লাইটশিং মহৌশাগুম ওপরেট তৌখি।

মৈগী চীং পোকখায়বদুগা মরী লৈনবা এলার্ট লেভেলদা অহোংবা লৈখিদ্রবসু অমসুং মীশিং হোংদোকহনখিদ্রবসু চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা মাস্ক লিশিং ৫০ য়েন্থোকখি।

## সুদানগী প্রোটেষ্ট গ্রুপশিংনা অনৌবা ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

খার্তুম, মে ২৫ (এজেন্সি):
সিভিলিয়নশিংদা লৈঙাক্কী পৱার শীন্নবা মিলিটরি রুল্লরশিংদা প্রেসর পীবগী শরুক অমা ওইনা সুদানগী প্রোটেষ্ট অমসুং ওপোজিসন গ্রুপশিংগী কোলিসন অমনা মথং চয়োলদা প্রাইভেট অমসুং পব্লিক ইন্টরপ্রাইজশিংদা নুমিৎ নিনি ষ্ট্রাইক চথনবা আপিল তৌখ্রে।



লৈবাক অদুদা দিমোক্রেসি হঞ্জিনহন্নবগী চহী অহুমগী ট্রাঞ্জিসন মনুংদা লৈবাক অদুবু লুচিংগদবা সোভরেন বোদি অমগী কম্পোজিসনগী মতাংদা খন্নবা ট্রাঞ্জিসনেল মিলিটরি কাউন্সিল (টি এম সী) অমসুং প্রোটেষ্ট গ্রুপশিংগী এলাইয়েন্স অমগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুংদা কোলিসন্না সোসল মিদিয়াদা থাগৎখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা নুমিৎ নিনিগী ষ্ট্রাইক অদু লাউথোকখিবনি।

লৈবাকপোকপগী অঙনবদা ৱারী শান্নবদু মখর চথনবা মথংগী মতম পীদনা য়েথোকখি। তৌইগুম্বসুং নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবগী ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনরদুনা মরী লৈনবশিংনা মখা তানা কন্টেক্ট তৌনবদি লেপত্রি হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

থা কয়া প্রোটেষ্ট তৌরক্লবা মতুং হৌখিবা থাদা সুদানগী মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা চহী ৩০ হাই-হুমদুনা পাল্লকখিবা প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাসিরবু মফমদগী চিংথুখি। খোঙথাং অসিগী মতুংদা মিলিটরিনা দিমোক্রেসিদা হঞ্জিনহন্নবা ট্রাঞ্জিসনগী মতম খরগী মতুংদা ইলেক্টেদ গভর্নমেন্ট অমদা লৈঙাক্কী পৱার শীন্নগনি হায়না প্রোটেষ্টরশিংদা থাজবা পীখি।

অফ্রিকাগী খ্বাইদগী চাওবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সুদান অসি হোর্ন ওফ অফ্রিকাদগী লিবিয়া ফাওবদা লৈরিবা মরু ওইবা লমদম অমদা মরা চেৎপা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবগী থবকশিংদা মরু ওই হায়না লৌনরিবনি।

সোসল মিদিয়াদা ফোংদোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা দিক্লারেসন ওফ ফ্রীদম এন্দ চেঞ্জ ফোর্সেস (দি এফ সী এফ)না মথংগী লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী তোঙান তোঙানবা প্রোফেসনল সেক্তরশিং য়াওনা প্রাইভেট অমসুং পব্লিক ইন্টরপ্রাইজশিংদা নুমিৎ নিনিগী ষ্ট্রাইক হৌনবা আপিল তৌখি।

নুমিৎ নিনিগী ষ্ট্রাইক অদুদা নেসনল অমসুং ষ্টেট কেপিটেলশিংদা লৈরিবা প্রোটেষ্ট স্কৱারশিংদা মীয়াম পুনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

## মাল্টানা মাইগ্রেন্ট ২১৬ কনখ্রে

ভলেতা, মে ২৫ (এজেন্সি):
মেদিটিরিনিয়ন সীদা খুদোংথিবা নংবা য়াবগী ফিভমদা লৈরবা দিনঘি অনীদা তোংলিবা মাইগ্রেন্ট ২০০ হেন্না মাল্টিস আর্মদ ফোর্সেসকী পেট্রোল বোথ অমনা লৌখত্তুনা থাংজ নুমিত্তা মাল্টাদা পুখ্রে হায়রি। মাল্টিস আর্মদ ফোর্সেসনা কনখিবা মাইগ্রেন্ট ২১৬ তুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীরোলবী নুপী অমা অমসুং অঙাং কয়া য়াওই হায়না থাজনখি। মীওইশিং অদু করম-করম্বা লৈবাকশিংদগী লাকখিবনো হায়বদুদি খঙবা ঙমখিদে। মাইগ্রেন্টশিং অদু মখোয়না তোংলক্লিবা দিনঘিশিংদুদগী লৌখৎলবা মতুংদা অতোপ্পা দিনঘি অমদা তোংহল্লগা মাল্টাদা পুখি।

## য়ু এন মিসনগী কম্মান্দর হাপখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ২৫ (এজেন্সি):
মেদল কয়া ফংলবা ইন্দিয়ন আর্মি ওফিসর অমবু য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা সাউথ সুদানদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স মিসনগী অনৌবা ফোর্স কম্মান্দরগী ফম হাপখ্রে।

মশাগী চহী ৫৭ শুরবা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসর লেফটনেল জেনরেল সাইলেস টিনাইকরনা মে ২৬ তা এসাইনমেন্ট মপুং ফাদুনা মিসনগী থবক্তগী পোথখিগদৌরবা রুৱান্দাগী লেফটনেল জেনরেল ফ্রেঙ্ক কমাঞ্জিগী মহুৎ শীল্লগনি। ৱাফম অসি য়ু এন চীফনা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখিবনি।

## ভেনিজুএলাগী পুলিস ষ্টেসন সেলব্লোক্কী ইরাংদা দিটেনি ২৯ শিখ্রে

অকারিগুৱা, মে ২৫ (এজেন্সি):
সেন্ট্রেল ভেনিজ্যুএলাদা লৈবা সেলব্লোক অমদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী ইরাং অমদা দিটেনি ২৯ শিখ্রে অমসুং পুলিস ওফিসর ১৯ অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

ষ্টেট ওফিসল অমনা সেলব্লোক অদুদা দিটেনি কয়া শিরিবদু মখোয়না মফম অদুদগী নাস্থোক্লবা হোৎনখিবগী থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনদি থৌদোক অদু অতম্লনা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী থৌদোক অমনি হায়খি।

থৌদোক অদু ভেনিজ্যুএলাগী সেন্ট্রল ষ্টেট পোর্টুগুএসাগী অকারিগুৱা টাউনদা লৈবা ম্যুনিসিপাল পুলিস সেলব্লোক অমদা থোকখিবনি। সেলব্লোক অদুদগী দিটেনিশিংনা নাস্থোক্লবা হোৎনখি অমসুং য়েংথিনরিবা গেংশিংগী মরক্তা হাৎ-শুনবগী থৌদোক অমা থোক্লকখি হায়বা পোর্টুগুএসা সিটিজন সিক্যুরিটি সেক্রেটরি ওস্কার ভালেরোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

দিটেনিশিংনা সেলব্লোক অদুদগী নাস্থোক্লবা হোৎনরকখিবদু পুলিসন থিংবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং ইরাং অদুদা মীওই ২৯ শিখি। হৌজিক সেলব্লোক অদুদা মীওই ৩৫৫ ফাজিন্দুনা থম্লিবনি। দিটেনিশিংনা ব্লোক অদুদগী চেন্থোক্লবা হোৎনবদা গ্রেনেদ অহুম পোকখায়হনখি অমসুং মদুদা পুলিস ওফিসর ১৯ অশোক অপন নংখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## মোস্ক ব্লাষ্টতা শিবা ৪ শুরে

ক্বেতা, মে ২৫ (এজেন্সি):
পাকিষ্টানগী ক্বেতা সিটিদা লৈবা মোস্ক অমগী মনুংদা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা শিখিবা মী মশিং অশোকপা মীওই অমা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবগা লোয়ননা ৪ শুরে হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা বোম অদু সিটি অদুগী পাষ্টুনাবাদতা লৈবা রহমানিয়া মোস্ক মনুংদা থমজিল্লম্বদগী মীয়াম্না ইরাই নুমিৎকী লাইশোল পাঙথোক্নবা পুন্নরকখিবা মতমদা পোকখায়রকখিবনি। লাইশোল থৌরম অদুবু লুচিংখিবা হাফিস অতৌর রহমনসু শিখিবশিংগী মরক্তা য়াওখি অমসুং মীওই ২৫ হেন্না অশোক-অপন নংখি।

কাউন্টর-টেররিজম দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা মশক খঙদবা মীওই খরগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

## কন্টেনর পোকখায়বদা ২৫ শোক্লে

বেঙ্কোক, মে ২৫ (এজেন্সি):
থাইলেন্দগী লাইম চবাং সী পোর্টতা থাংজ নুমিত্তা জহাজ অমদা য়াওবা কন্টেনরশিং পোকখায়দুনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক অমদা মীয়ামদ্রবা মীওই ২৫ অশোক-অপন নংলে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পোকখায়বগী থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা কন্টেনর জহাজ অমদা থোকখিবনি অমসুং থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখিবা ৱার্কর ২৫ রোম হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। মৈ চাক্লকখিবা কন্টেনর খরদা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা কেমিকেলশিং য়াওবা মরম্না অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি।




Government of Manipur
Rural Engineering Department
(Manipur State Rural Roads Development Agency)
4th Floor, Secured Office Complex, AT Line, North AOC, Imphal, 795001

NOTICE

The Chief Engineer , Rural Engineering Department (RED), an Engineering establishment of RD & PR, Government of Manipur invite applications from intending & eligible firms and individuals for enlistment as 2nd Class, 1st Class and Special Class Contractors in Rural Engineering Department for execution of PMGSY and other works taken up by RED.

Application form, Eligibility & other details for enlistment to the above 3 (three) different categories may be obtained from the office of the Chief Engineer (RED), on working days from 28th May, 2019 onwards.

Sd/- M. Janki Singh
Superintending Engineer
(Plg.)/SSW-RED/MSRRDA

HL-B/5415/26,27